# মাঙলোমদা চঙশিনবা নত্তবা, তুংহন্ননা চৎলিবা খোঙচৎ

ম্যুজিক (ঈশৈ নোংমাই) হায়বসি খুৎনা শোক্লু’-থেংলু’ ঙমদবা, উরুবসু ঙমদবা কলা অমনি... অঙাং পিশক ওইরিবঁদগী তাদুনা লাকই, ইরন্মী, খঙলকই। ঈশৈ! ঐনা পামজবা কলা মখল খরদুগী মনুংদা অমনি। ঈশৈ শকপা কলাকার অমা হায়বদু ওইহৌদ্রবসু ‘ঈশৈ শকপা’ হায়বা শিনফমদুদি পাল্লকই অঙাং ওইরিবঁদগী। ঙসি ওইরিবা ‘ঐ’ অসি ওইরকপদা ঈশৈগী অচৌবা মফম অমা লৈখি- ঐনা চেৎনা থাজজে। অদুনা ঐ, ‘ঈশৈ হায়বসি কলানি’ হায়বা দিফিনিসনসি খক্তদা পেন্থোকপা ঙমদে।... অতাবা খুদিংমক্তা মান্নদবা শাফু/ফোর্স অমা পীরিবা ‘ইনর্জি’ অমনি ‘ঈশৈ’। ঈশৈগী পান্দম অতাববু পেলহনবা/নুংঙাইহনবা/এন্টরটেইন তৌবা অদুখক্তা নত্তে। ‘আনন্দমঠ’ মিংথোনবা উপন্যাস’তুদা য়াওবা ঈশৈ ‘বন্দে-মাতরম’... হায়বা ঈশৈদুনা ভারতকী নিংতম অন্দোলন’দা লৌখিবা থৌদাং ইতিহাসতা ইরন্মী। ‘এ মালিক তেরে বন্দে হম’... হায়বা ‘দো আঁ খেঁ বারহ হাথ’ ফিল্মগী ঈশৈ অদুনা, মীওইবগী পুক্নিং য়াকায়রোন ঈশৈ ওইরক্কনি- কনানসু থাজখিদে। মাঙদা চৎখৎলু, মাঙদা চৎখৎলু... য়ৌরনিদা থাপ্তুরে... মাঙগী লম্বী তেল্লক্লে, তুংগী লম্বী মাঙহৌরে’... নহা ওইরিবঁ রেদিওদা তারকখিবা, অদুগুম্বা কাউঙমদ্রবা ঈশৈ তাখিদবা কুইরক্লে। পুক্নিং ইথিল পীবা ঈশৈ ময়েক ইবীনবা ৱাৎলমাল্লে।

পুন্সি খোঙচৎ শিবা হায়বা মীকুপ্তুনা অরোইবা পন্থুং ওইবা খোঙচৎ অমনি-ওজা, গুরু, ঈথক থোংবশিংনা তাকপীরকই। মীওইবগী পুন্সিনা লোইবা/খন্বা নাইরবসু মীওইবনা শেন্বা লৈপাক খুন্নাই অমগী খোঙচৎসিদি লোইবা নাইদে। চহী লীচা লীপুন কয়াগী মমাঙদগী, থৱায় পানবা জীবশিংনা মালেমসিদা খোঙদারকবঁদগী চৎলক্লিবা পুন্সি খোঙচৎ ঙসিসু লোম্বা নাইদরি, চৎখিগনি লোমনাইদনা। লৈপাক অমগী চাওখৎ খোঙজেল অসিসু মাঙলোমদতা চঙশিনবা মতমগী খোঙচৎকা চাংদম্নে ৱাখল লৈবা মীওইবনা। মৈতৈ কৌবা ফুরুপসিনা খুন্নাই অমা লীংদুনা, অসুম্না চাওখৎ লমজেল য়াওরক্লিবসি চহী লীশিং অনী হেল্লক্লে। খৃষ্টিয়ন ইরাগী অহানবা চহীচাগী ৩৩ শুবা চহীদগী নিংথৌরোলগী ইতিহাস ইবা হৌরকখ্রবা, অকা অকুম নাইবা শাংলবা খোঙচৎ অমা চৎলকপনা ঙসিদি কুনমাথোইশুবা চহীচাদা চঙশিল্লক্লে। শাংলবা খোঙচৎ অসিদা ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা তুংহন্ননা চৎখিদে। মতমগী খোঙলোই তুংইন্না শকওল্লকপা মালেমগা য়াওনমিন্নরক্লি ঙসিফাও।

অদুবু, মহৌশা লাইরেম্বীনা থোকহল্লকপা অমাঙ-অতা, মহা প্রলয়গী মশক ওইবা নেচরেল কলামিতি অমনা মালেমদগী দাইনোসরশিং মুথুৎখিবা...অচৌ-অচৌবা সহর/খুঙ্গং কয়া ঈরোন্নুংদা লূপহনখিবা থৌদোকশিংদু নত্তবা, ৱাখল থেনবা মীওইবগী মরন্নাই ওইবা ৱাখলনা মাঙওইনবা মীয়ামগী খনবা ঙমদবা ৱাখলদুনা লৌহল্লকপা ‘ফিরেপ’না মাঙ-তাক্লবগী মশক ওইরবা লান কয়াসু থোকহল্লকই। লোইনাইদ্রবা লিষ্ট অমনি। খ্বাইদগী নৌবা, অহিংবা লান হায়রগা ‘রুসিয়া-য়ুক্রেন ৱার’ অমসুং ‘মৈতৈ-কুকি-লান’ অনীসিনি হায়বা তা’মাল্লে। য়ুক্রেন অমদি রুসিয়া-থাপ্লবা মীরমদা শোক্লবা লৈপাক অনীগী লান’দুগী ৱারীদি শা’গুমসি। খঙলুবা, নৈনরুবইসু ঐখোয়দা করিসু কান্নদে। অদুবু, খুজিন মমায়মুক পাকপা কনানসু থওইবীদবা, ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক চিদাইদা, চীংগী ষ্টেট অমা ওইনা লৈরিবা ‘মণিপুর’ গী ফুরুপ মচা অনীখক খৎনরকপা, অউ-অউ হাত্তোক্লরকপা, লান মচা অমা থোক্লকপসিদদি চহী লীশিং অনী হেন্না লাক্লবা, ইতিহাসকী শাংলবা খোঙচৎ অসিদা, চহী কুন মনিং হন্না চৎলুবগা পাঙ্খক ওইররে।

মে তারিখ ৩ দগী কুকিশিংনা মৈতৈশিংগী মথক্তা খঙহৌদনা লান্দারকপা, মৈতৈশিংনা অমুক হন্দুনা লান পারুবা... য়ুম কৈ, মমল য়াল্লবা পোৎ-চৈ কয়া মৈ থাদুনা, থুগায়-খোৎকায় তৌদুনা মাঙহনখিবা, পাউচেদা ফোঙনখিবা, মেদিয়াদা রিপোর্ট তৌনখিবা অদুখক্তবু ‘মৈতৈ-কুকি-লান’ সিনা থোকহনবা অমাঙ অতা ওইনা লৌনৈ পুন্নমক্লা। কুকি-মৈতৈ অনীমক্কী তাঙ্গোয় ওনখ্রবা জীপ-কার-সনা-লুপা-উপু-কাংথোন... লুপা কয়ামুক্কী চাং ওইগনি? কনানসু মমল লেপ্পা ঙল্লোই। তাইবংসিদা লাকপা নুমিত্তগী ময়ুম-মকৈ মাঙখিবা নুমিৎ অদু ফাওবদা তানশিঞ্জরকপা/লেপশিঞ্জরকপা মরল-মথুম... পুন্নমক পুল্লোই লোইখ্রবা, মরোন-মরাং তাক্লবা ইমুং মনুং... মৈতৈ-কুকি অনীমক্তা মশিং খঙদনা য়াওরিবনি। রিলিফ কেম্পতা রিফ্যুজি ওইনা লৈহৌবা মখোয় খুদিংমক্কী লীথোকপগী লোইনাইদ্রবা অৱাবা ৱারী অমমমনি।

লানগী ভিক্তিম ওইরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা নঙলিবা অৱা-অনা, অমাঙ-অতা ময়ামদুদি, ঈরাং অসি নেমথখ্রগা সরকারগী রিলিফ ফন্দদগী কাইথরকপা শেনফম্না মাঙখ্রবা মাল চাং অদুগী শরুক খরতা ওইরবসু হল্লক্কনি খল্লসি। হিংনবগী পান্বে ওইনা পায়রম্বা শিনফম’, অমদি, চহী কয়াগী এক্সপরিয়েন্স অদুদি করিনা মহুৎ শিনগনি? অনৌবা শিনফম, অনৌবা এক্সপরিয়েন্স, অনৌবা পুন্সি... হান্না লৈরম্বা লায়রকোনগী নুংঙাইবা পুন্সি অদুদি অমুক হন্না কৈদৌঙৈদা ফঙলরোই। পুন্সি অনীগী মরক্কী অহাংবা অদুদি কৈদৌনুংদা মেনবা ঙল্লরোই।

হৌজিক্কী অৱাবা মীকুপ, হয়েংগী নুংঙাইবা মঙলান অমনা নত্তরা, ঙাইহাক পুঙগোয় কাউথোকহনবা ঙল্লিবা? অদুবু কদায়! হয়েংগী মঙলান ফুরা শাগদবা ঙসিগী য়ুম্ফম থোনফমদুদি কদায়? কদায়দা ফল্লগা, নীংখায়খিগদবা ওইরবসু মঙলান ফুরা অমত্তং শানিংবসি শাবা ঙমগদগে? ৱাখল অসি থোক্তরে।

মে তারিখ মরিদগী ষ্টেটসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা, হিংবদা চঙবা পোৎলম চৈরম খুদিংমক্কী পুশিল্লকফম ওইরিবা দিমাপুর-ইম্ফাল-নেসনেল হায়ৱে নম্বর ২ কাংপোকপীগী মফম অমদা কুকিশিংনা থিংজিনখিবা... ইকনমিক ব্লোকেদ তৌশিনখিবা-মণিপুর লৈঙাকসিদি হায়রুনু, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর মশামক্লসু হাংদোকপা ঙমদে। অমিট সাহ মশামক লাক্তুনা, কাংপোকপীদা চৎপদা মিনিষ্টর ফম থাদোকপদি তৌদনা মণিপুর গভর্ণমেন্টদগী তোখায়বা লৈঙাক পথাপ অমা কুকিশিংগীদমক শেমগদবনি হায়দুনা নিংঙাই তৌরিবী কুকিগী এম এল এ ‘নেমচা কিপগেন’ মশামক্লা ওকখিবনি। ‘লম্বী থিংলিবসি হাংদোকপীয়ু’ -অমিট সাহনা হায়জবদা কুকিশিংনা য়াখিদে। থা অনীমখায় শুরক্লে -লম্বী অসি হাংদোক্ত্রি। মোদিনা হায়রবসু য়ারক্লোই খঙবনা ওইরিনি হায়দ্রিবা। হাংদোক্কনি হায়রুবগী কুকি লুচিংবা অমগী ময়ুমসু তাঙ্গোয় ওনখ্রেদনা। কুকিগী মমাঙদা নপুংশক ওইরবা বিরেন-মোদি অনীগী দব্বল ইঞ্জিন লৈঙাক অসিনদি কাংপোকপীগী কুকি মায়োক্লবা ঙমদ্রবনিনা মণিপুরদা ইন্দষ্ট্রি মচা মচা লীংদুনা শেন্থোক লম্বী শেমজবা মীওই কয়াগী লম্বী তৎখ্রনি। মেন্যুফেকচরিং ইন্দষ্ট্রি, মণিপুরদা ফেল ওইরনি। লমদমসিদা শুংজবা পোথোক নত্তবা, রেদি-মেদ-ফিনিষ্ট-প্রদক্ত ওইনা পুশিল্লকপা পোৎ-চৈ য়োন্দুনা হিংজবা সর্ভিস-সেক্তর-বিজিনেস’সু তপ্না তপ্না শিথরক্লনি। পোৎয়াম য়োনবা হোল সেল্লরদগী খরা খরা লৌরগা য়োনবা রিটেল্লরশিং, পোৎশিৎ ৱাৎলক্লবনা মাইক্রো ফাইনান্স এজেন্সিদগী পুবা শেনফম শিংগৎলুবা ঙমদ্রে। লৈকায় লৈকায় খুদিংগী ক্লব/ওর্গনাইজেসন ময়াম্না শেল পুবা মীশিংদগী শেল খোন্বা লাকপীগনু পাউ হোল্লে। মাইক্রো-ফাইনান্সিএল সর্ভিসসু ফেল ওইরক্লে। কার-কম্পেনি ময়ামসু লম্বী থিংজিনখ্রবনা, থা অনী হেল্লক্লে, অনৌবা কার ওর্দর কয়া দেলিভরি পীবা ঙমদ্রে। টুরিজম অমদি হোস্পিটালিটি ইন্দষ্ট্রি থা অমা অনীসিদা হাইথরক্লিবা বিজিনেস গ্রোঠ, চহী অনী অহুমদি হান্নগুম অমুক হাইগৎলকপা ঙল্লরোই। নোংমতা অহাংবা রুম লৈরমদবা ইম্ফাল ময়োনগী হোটেলশিং কনামত্তা লাকখিদ্রে।

য়েস! ঈরাংসিনা ইফেক্ত তৌদবা ইন্দষ্ট্রি অমত্তং পনবা তারবা হেল্ঠ সেক্তরনি হায়বা তাই। অনা লায়েংশঙ মথন্তনি, লানসিনা হেন্না কনশিল্লকপগা কষ্টমর মশিং হেনগৎলক্কদবা। অদুগা ইন্টরনেসনেল ট্রেদ সেন্টর ওইরম্বা, বোর্দর টাউন মোরেদি, মৈতৈ তাবা য়াদ্রবনা তম্নলাইগী তম্নফম ওইরক্লনি শোয়ররোই।

*-ইন্দ্রকুমার*

# গালঙম - (১)

থায়না মমাঙঙৈদা দাপা কৌবা য়াম্না তনবা নুপা অমা লৈরম্মী। মহাক থবক ইনখাং অমত্তা শুরমদে। নোংমগী চাগদবা খরা অদু চারগা কোয় লংদুনা লৈরম্মী। মহাক্না লৈরিবা খুল অদুগী খুল্লাকপগী মশক মতৌ ফজরবী মচানুপী অমা লৈরম্মী, মদু মহাক্না পাল্লম্মী। নুপী অদুনদি দাপাবু য়াম্না তল্লি, মশা মঙ ফত্তে, মপাঙ্গল শোল্লি খন্দুনা পামদে। দাপানা মানা পামজবা নুপী অদুগী মতুং লোন্না লোন্না ইন্নদুনা থেন্বা হৌরকই। নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক অঙনবদা খুল্লাকপগী মচানুপী অদু খোংদগী ঈশিং শোকপা চৎলি। ঈশিংখোং তান্না চৎপদা নারক শিংলক শমদুনা চৎপদা অয়ূক্কী লিক্লানা দাপাগী মফি মরোলদু পুমচোৎ চোৎলম্মী। অদুগা খুল্লাকপগী মচানুপীদি মানা শেৎলিবা মফি মরোলদা ঈশিং মরীক অমত্তা পক্তবমখে খোংদগী ঈশিং পুদুনা লাকই। মদু উবদা দাপাদু য়াম্না ঙক্লম্মী। মী পূন্নমক্কী মফি মরোলদি চোৎলগা খুল্লাকপগী মচানুপীগী মফিনা চোৎত্রিবা করিগীনো মপূক্নিংদা খল্লম্মী। নোংমদি অয়ূক অঙনবদা দাপানা ঈশিংখোং চৎপা লম্বী অদুগী নারক্তা লুমদুনা খুল্লাকপগী মচানুপী ঙাইদুনা লৈরে। ঙহাক লৈরগা খুল্লাকপগী মচানুপীনা খুলগী পন্থোং লান্থোক্লগা মী অতৈ লাক্ত্রিঙৈদা মানা শেৎলিবা ফনেক অদু থল্লগা নাপীনা লেপ থুম্বা নারক্তা চৎতুনা ঈশিং খোংদগী ঈশিং শোকই। মানা ঈশিং শোক্লুরগা হল্লকপদা মানা থনম্বা ফনেক অদু লৈরমদ্রে। ফনেক লৈত্রবদা খুল্লাকপগী মচানুপী অদু মথৱায় ৱাদুনা ময়ূমদা হনবা য়াদদুনা ফমদুনা লৈরে। মতম অসিদা দাপানা নারক্তগী ফনেক পায়দুনা থোরক্লে। খুল্লাকপগী মচানুপীনা ফনেক পীয়ু হায়বদা দাপানা “নহাক ফনেক পাল্লবদি ঐনা হায়বা য়াগে হায়না ৱাশকউ। অদু ওইরবদি নহাক্কী ফনেক অসি পীগে” হায়রক্লে। তৌফম খঙদদুনা খুল্লাকপগী মচানুপীনা নঙনা হায়বা য়াগনি হায়না ৱাশকলে। দাপানা ঙসিদগী নহাক ঐগী নুপী ওইগে য়ারবদি ফনেক অসি পীরগে হায়রক্লে। দাপাগী ৱাদু তাবদা খুল্লাকপগী মচানুপী অদু পাউখুম পীবা ঙমদনা তূমিন্না মরূ লুক্তুনা লৈরে। দাপানা তকশিল্লকপদা তৌফম খঙদদুনা খুল্লাকপগী মচানুপী অদু য়ানীং য়ানীংদনা য়ারে, মহাক্কী নুপী ওইগে হায়রে। নুমিৎ অদুদগী হৌনা খুল্লাকপগী মচানুপী অদু দাপাগী নুপী ওইখ্রে। দাপাদি নীংবা থুংলদুনা ফনেক পীরল্লগা ময়ূমদা হনখ্রে। খুল্লাকপগী মচানুপীনা ফনেক অদু শেৎচিল্লগা মথৱায় নুংঙাইতনা ঈশিং পুদুনা ময়ূমদা হল্লকই। মচানুপীনা মথৱায় নুংঙাইতনা হল্লকপা মায়থোঙ অদু উবদা মপা খুল্লাকপনা করি তৌরবগে হংবদা মচানুপীনা পাউখুম অমত্তা পীরমদনা ইমুংদা চঙলগা কপ্পুনা লৈখি।

মতম খরা লৈরগা মচানুপী লৈশাবী অদু মীরোল্লে খঙলক্লবদা মপা খুল্লাকপা অদু য়াম্না শাউরে। মচানুপীদা নহাক্কী নুপা কনানো তক্তুনা হংলক্লে। দাপা হায়বা নুপা অসি মপানা য়াদবা মীশক ওইবনা মপাদা ৱাফম অদু কাংথোকপা ঙমখিদে। থা তরা মপূং ফারবদা খুল্লাকপগী মচানুপী অদু মশক মতৌ ফজরবা মচানুপা অমা পোক্লে। অঙাং অদুগী মশক উরগা খুল্লাকপা শাউবা ফব্বদি লায়রদুনা নোংমা নোংমগী মথৱায় নুংঙাইতনা লৈরকপদা চহী অহুম ফাজিল্লক্লে, অঙাং অদু চাউরক্লে। নোংমা খুল্লাকপনা খুলগী পাখং পূন্নমক অমত্তা চিংখদনা কৌরগা মাগী শুমাং মতোন্দা শাদুনা থল্লিবা পাখং ফাল অদুদা ফমহল্লে। মানা মচানুপীনা পোকপা মশুনুপাদু পুথোক্লগা মপা মশক তাকউ হায়রে। অঙাং অদুনা তপ্না তপ্না পাখং ফাল তান্না চৎখিদুনা দাপাগী মশাদা পায়রুরে। মদু উবদা খুল্লাকপদু শাউবনা লুতোন কাখ্রে, দাপাসু কিবনা মশা থক থক নিক্লক্লে। অসুক তনখ্রবা মপাঙ্গল শোনবা নুপাদা ইচানুপীনা লৈদুনা নুংঙাইবা হৌনদে। মখোয় অহুম অসিগী মশক হেক উরিবমখৈ ঐ নুংঙাইগদবা লৈত্রে। অসি খল্লদুনা খুল্লাকপনা দাপানে, মচানুপীনে, মশুনুপানে অহুম অদু পোলাং অচৌবা অমদা হাপচিল্লগা ঈশিং ময়ায়দা হৌবা উগী উতোন অমদা য়ানশিল্লে। মখোয় অহুম্না য়াল্লিবা উতেন অদুদা তেক্তুনা পোলাংদু ঈশিংদা লুপশিন্দুনা মখোয় অহুম শিনবা পোল্লাং অদুদা নুংদুম অমসু পুনশিল্লি। মপা খুল্লাকপনা শিনবা শিল্লিবা থৌদৌ অদু মচানুপীদি খঙদনা কপ্লন্মী অদুগা দাপাদি নোক্লন্মী। পোলাং অদু ঈশিং ময়ায়দা থরাক থরাক য়ান্থবা অদুদা দাপাদি হরাওদুনা নোক খেদুনা হাই হাইদুনা শান্নৈ। দাপানা নোক খেরদুনা নুংঙাইনা লৈবা মতৌ অদু ঈশিং মনুংদা লৈবা লাই অদুনা উরদুনা মাগী অসিবু কয়ামুক নুংঙাইরিগদগে য়েংগে খল্লদুনা মীগী মশক লৌরগা ঈশিংদগী কাখৎলক্লে। লাইনা ওনবা মী অদুনা “দাপা নহাক্না তোংদুনা হাই হাইদুনা শান্নরিবদু নুংঙাইরবদি ঐসু অমুক্তা তোংদুনা য়েংগে” হায়রক্লে। দাপানা ঐনা তোংলিবসি য়াম্না নুংঙাই। নুংঙাইমন্দুনা চাগনি থক্কনি ফাওবা কাউথোক্লে। নহাকসু তোংলবদি খঙগনি” হায়রে। মাগী ৱাদু তাবদা লাইদু য়াম্না তোংনীংলে। ঐসু অমুক্তা তোংগে নহাক কুমথরকউ হায়রক্লবদা দাপানা ঐখোয়দি কুমথবা ঙমদ্রে। নহাক্লা তোংনিংলগা ঐখোয় অহুম থাংথবিয়ু অদুগা নহাক নতোমদা নুংঙাইনা তোংঙু। লাইনা ওল্লিবা মী অদুনা মখোয় অহুম অদু উতোন্দগী লৌথবিরগা মহাক মতোমদা পোলাং অদুগী মনুংদা তোংদুনা ঈশিং ঈয়াইদা হাইদুনা শান্নদুনা লৈখি।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী’ দগী লৌখৎচবা)**

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭০**

১) **“খন্থ খন্থরুরগা নুংঙাইরকপা”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **“য়ুরাংফম”** (২০১১) হানা মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“লম্বী অমদা”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৪) **“হে ইমা পোক্লফম লমদম ও/পলেম-পোকপী পলেম ও/য়েংঙমদেনে নঙগী ৱারবা নতৌ/উঙমদেনে নীংবা কায়রবা শক্তম/”** শৈরেং মতেক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো?

৫) **“নোংথাঙনা মুৎখ্রবদা”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৬৯গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৬৯গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯গী পাউখুম**

১) **“ভগবান শ্রীরাম”** (২০০৮) হায়বা কাব্য অসি কনানা ইবনো?

**:- অইবা - সম্বান্দুরাম নন্দকিশোর সিংহ।**

২) **“মমি শেংখিদ্রবা নুংশিবা”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - মৈনাম ভরত সিংহ, লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অহানবা ফোঙবা ২০২৩।**

৩) **“অশিববু কোন্দুনা সমাধি মখাদা/লৈররে ইতোমতা তূমদুনা; করিগী অমুক হন্না লাক্লিবা/থম্মোয়গী মৈচাকপু চাকহনগে হায়না/”** ঈশৈ মতেক অসি অসামগী শক্লাইরবা শৈশকপা অমগী ঈশৈশিংদগী খোমজিন্দুনা মণিপুরীদা হন্দোরকপদগী লৌথোরকপা ময়েকনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনানো?

**:- ড° ভূপেন হাজরিকাগী ঈশৈশিংবু মণিপুরিদা হন্দোক্লিবী নিঙোম্বম অনিতা, লাইরিক্কী মমিং - মীনা মীগীদমক, অহানবা ফোঙবা : ২০০৮।**

৪) **“কংফালগী অরোইবা লমদমদৈ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - ইবোসনা য়ামবেম, অহানবা ফোঙবা - ২০০৭।**

৫) **“মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো? **:- লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী খোমজিনবা, অইবা - য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার, অহানবা ফোঙবা - ২০১১।**

# ঙসি ইনুং ঙানবদগী

মাগী লাইরিক পাফম-ইফম ‘ষ্টদি’ দুগী হেক মমাঙদা মাঙ্গোল মচা অমখক লৈ। মদুদা মা অরাম চৌক্রি অনোম্বী অমদা নুংতিগী ঙাইহাক্তি ফম্মী। নুমিদাং চাকচামাঙ ফাওবদা সোদাগা লোয়ননা হ্বিস্কি পেগ অনীদি নোংমগী শোয়দনা থকই। হান্নদি নুংতিগী থক্লমদে। চহী তরারোম শুরে - মসি হৌজিক্তি মাগী নোংমগী পুন্সিগী শরুক অমা ওইরে। চহী লৈশিল্লক্লে। হৌজিক্তি মা পোৎ খুদিংমক তপ্না য়েংই। থবক খুদিংমক তপ্না তৌই। চৎপসু তপ্না চৎলি। হাথু হাথুদে। ঈথক ঈরৈ নেমথখ্রবা ঈচেলনি। মোং হাদে। মাগী নুপীনা নোংমা থাজদনা হায়রকখি, ‘নঙ অয়ূক্তা থোকপা নুমিৎকা নুমিৎ তারমদাইগী নুমিৎকা অনীগী খেন্নবা উরব্রা?’ খুম্বদি লায়রদনা মানা ঙক্লা মাগী নুপীদা য়েংদুনা লৈখি। মদুদা মাগী নুপীনা মোমোন নোক্লকখি, ‘অয়ূক্কী নুমিৎসি য়েংউখৎ খৎ লাওবনি। নুমিদাংৱাইরমগীসিনা য়াম্না চীং লেম্বনি।’ মাগী নুপীগী ৱাফমদু মা খন্থরুদ্রে। সিমদি খনখি। পুন্সিদা য়েন্নীংথা হায়সি অমুকখক লাক্লগা লোইবা নত্তে। য়েন্নীংথাসি ইতৎ তৎতনা খোঙদোই হুল্লকপা জাৎনি। মসি খঙবা পূক্নিং অমা চঙই। মদুগী ৱানি। মচানুপী অনী ময়ূম পানখ্রে। মচানুপাদুসু - মানা অতোনবনি - নুপী থিরে। কম্পনি অমদা থবক তৌই। অতোপ্পা ষ্টেটতা মমৌগা, মশু অনীগা - নুপা অমা নুপী অমা - মখোয় পুল্লপ লৈ। য়ূমদুদা অতৈ মনাওতমক লৈ। মরক মরক্তা মচা মশুশিং লাকত্রবদি য়ুমদু ইহাঙ হাঙই। পুন্সিসি নোংমা নোংমগী হাঙজিল্লকপা, নোংমা নোংমগী নায়তোম তারকপসি মা নুংঙাইতে। ৱাই। অথেংবা নুমিদাংৱাইরমগী অতিয়াদা কোয়েং য়েংদুনা ফম্মী। য়ু খজিক খজিক চিংদুনা। অতিয়ানা ইহাঙ হাঙবসি মা পেন্দে। থা থৱান্নীচাক মরক্তা শকফম কয়া উনীংই। মনা থাঙ্গৎতুনা তানীংই। নুমিদাংৱাইরমসি খোঞ্জেলনা নিলহন্নীংই। নীংশিংলকই।

*পীক্লিঙৈদা মখোয়গী খুনু জুরা অমা লোয়রম্মী। অতৈ মতমদদি মখোয় লৈরি হায়দু থোইনবু খল্লুদে। মচা ওল্লকপগী মতাংদুদি মখাদা খরা লাপ্লপ ফমদুনা য়েংই। মমা মপা লাবা অমোম অনী চঙদুনা মচিঞ্জাক থিবা চৎলি। তিল কাং ফাদুনা চেঙ হৱাই খুন্দুনা পুরক্লগা মচাশিং পীজনবা মকোল তম্না পাইরকই। মকোলদা হেক তোংবদা মচাশিংদুনা খোংনা খোংনা মঙক অশাংবশিংদু থাঙ্গৎতুনা চাগদবগী ঙাই। চরি তৎপা, চপশাং শাংবা, মতু খরা কাক্লি কাক্লি হৌবা মঙকশিংদু তরং তরং ঙসিসু উরি। মপীনা পীজৈ। উমদুনা পুরকপা পোৎশিংদু ময়ানা ইন ইন্দুনা পীজৈ। খাই খাইদুনা ইল্লি। অমদমুক অমদমুক। ওন্থোক্লা নুংশিনা লোয়নৈ। শা উচেক্তি থুনা হেক্তা চাওই। যণনাও মচাদি হেক তারকপগা মপীনা লেকই। মরৈনা শৎ শৎ লেল্লগা নাওফমদু চাশিনখি। খুনু মচাশিংদুসু অদুমমঙাই। থুনা চাউই। খরা হেক চাওরকপগা মপীনা মকোক্তা কক কক চিক্তুনা তান্থোকই। মতৈ মনাওদমক লৈহৌই। মদু হায়বদি মচা তান্থোক্লিবদু নুংশিদদুনা তৌবদি ওইরল্লোই। মকোন্দুদা মখোয় ময়াম পুল্লপ লৈবদি কদাইদগী য়াগদগে?*

মাগী নুপী লাকই। মখূৎ য়েৎনা ফ্রেঞ্চ চিপ খরা প্লেট অমদা পায়রকই। মাগী মনাক্তা লৈবা সাইদ টেবল মচাদুদা থম্মী। অতিয়াদা কোয়েং য়েংই। হায়রকই।

‘হৌজিকসি খরা খরা ঈংবা হৌরেনে। নঙগীসি ফনা নুংঙাইনে। অহাঙবা মালংদা সুম য়েংবসি সিনেমা মখল অমদৌনা ফাওরমদৌবা মাল্লি।’

‘উম, মদুমক হায়বা য়াই। মরক মরক্তা মখোলগসু জাৎ জাৎ তাবনি। করি এঙ্খাং থোংদৌরি।’

‘মনা-মশিংগী সলাদ অমদি তৌরনি। খঙদ্রি। করি চানীংই।’

‘কৈনো ইয়া য়াই।’

মাগী নুপী চৎখ্রে। মানা ফমথহৌরি। ফ্রেঞ্চ চিপ অমা লৌখত্তুনা কক চিকই। য়ুদু য়াওম অমা থকই। মওল মওল খল্লি।

*চাবা থকপা হায়সিদি, চাবা থকপা হায়সিদি কৈসু নত্তে অনৌবা নত্তে মী পূন্নমক চাই থকই স্বর হোন্দুনা হিংই মী পূন্নমক হাউনা চানীং থক্লিংই। সি নত্তে সি নত্তে চানবা লৈনবা শেৎনবা সি নত্তে সি নত্তে সি নত্তবা অমা লৈ সি নত্তবা অমা লৈ অমা লৈ অমা লৈ নুংশাগী মঙালদা উচেক্কী খোঞ্জেলদা ঐগী মঙদা ঐগী আশাদা ঐগী ৱাখলদা ঐগী নুপীগী মায়থোঙদা ঐগী অহাঙবা য়ূমদা ইচা ইশুগী মীনোক্তা।*

চুরুট। চুরুট থক্লিংলকই। চমখৎলি। হাওনা থকই। মখোল থোক্লা চিংই। মৈখু শাংনা কামথোরকই। পাক লোইগদবা মান্দনা। শাংনা চিংবা ঈশৈগুম। খল্লি। মা মওল মওল খল্লি।

হৌজিক্তি চুরুট থকপসিসু কন্না থিংনরক্লে। স্মোকিং ইজ ইঞ্জরিয়স টু হেল্ঠ। হকচাং শোকপা। য়ুসু শোকই। হকচাংসি মথন্তসু শোকই হায়না লৌবা য়াগদ্রা? হকচাংসি - সে গুলাপ লৈ অমগুম লৌরগা। পোন্মী। লৈকা ফন্না শাৎলি। অদুদগী কেমদুনা লৈমাইদা কেল্লি।

*ঙসি অয়ূক্তগী হৌজিক ফাওসি ফনা শাংবা মতমনিনে। বি পি টেব্লেট খবর অয়ূক্কী চরা। পূন্নমকসি ঐগী পুন্সি মপুমসিগী শরুক ঙাক্তনিকো। অহিং অমগী ত্রেনগী খোঙচৎ, পুং তরা হেন্না পাইবা প্লেনগী লম্বী, জেট লেগ পূন্নমক পুন্সি মপুমসিমা শাগৎলিবা শরুক ঙাক্তনি। শরুক মচেৎশিংসি, অর্থনা মীরোল্লবা মচেৎ ঙাক্তা ওইরদি পুন্সি মপুমসি, মীৎকুপ পরেংগী পুন্সি লিশাংসি হেক্তমক মপূং ফারগদবনি। সি নত্তনা মীৎকুপ অমতংসিদি কৈসু নত্তে অহিংসিমা হৌখ্রগা লোইরে হয়েং ফত্তনা তৌরগা লোইরে হায়দুনা মচেৎ ময়ামসি অসুম অসুম হৌহনখ্রবদি পুন্সিসি অদুম লোইরে। কনানোমা লৈরি করিনোমা ৱাৎলি হায়দুনা সুম ঙাইবগী থবকসি সুম লেনবগী থবকসি পুন্সিবু মশক খঙদবা মীগী মচৎনি। পুন্সিসি ঙসিনি। হৌজিক হৌজিকমক্লি। পুন্সিদা হয়েং হায়বমা লৈতে।*

*নোংমা পোক্লে। নোংমদি শিবা তাই। অদুনদি শিদ্রিঙৈ ফাওবা হিংবা তাবা নৎত্রা? অহিংবদৌনা হিংবা তাবা নৎত্রা? চুম্না পংহিং মহিংবা নত্তবা। হিংফম থোক্লা হিংনীংনা হিংবা নৎত্রা পুন্সি হায়সিবু? পুন্সিবু তরম তরাম ওক্তুনা হৈ অমা চামিন্না লৈ অমা চিনমিন্নদ্রদি, চা কপ অমতসু থকমিন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শানদ্রদি করম্না মাবু খঙগদৌরিবনো? মরুপ মপাং ওইনা লোয়নগদৌরিবনো?*

*সুম পংলৈ মরৈবা য়াব্রা? জ্ঞান অমা ইতা তাদনা। শোর হোন্দুনা পৈশা তান্দুনা। থক্তুনা চাদুনা। থৱান থাগী হুইগুম খোংদুনা। হৈরাংগোই চিন্দমদুনা। তাৎ তৌদুনা লৈগদৌ শরুক ইঙৈল্লেগুম অহিং অমা শাৎকাইরল্লগা লোইরে কৈনো।*

*ইঙৈল্লেনি চীংগী নিঙোলনি*
*লৈমরেলনি অহিং অমগী।*
*নোংথাংনি মীৎকুপ অমতং*
*অহিংগী অমম্বা থম্মোয়দা।*
*মীৎকুপ্পা চক অমনি*
*লৈহৌনি অরোইবা নুমিৎফাও।*
*ঐগী অশেংবা ইয়ূমনি*
*মরোল অহুম কোল্লবা।*

মাগী নুপী লাকখিবদো খঙহৌদ্রে। ৱাখলদা লুপ্তুনা লৈরিঙৈদা পাক শমজিন্নবা ঙমদনা মীতোপ অমদা য়েংবগুম্না য়েংদুনা লৈ। চহী কুইনা লৈমিন্নরক্লবনিনা মাগী নুপীনা মাগী নুপাবু খঙই। সিগুম্বা মতাং কয়ারক থেংনরক্লবনি। নোক্তুনা ফাগী তৌরকই।

‘মীৎকপ থোক্লো লোইয়ুম্বা।’

‘এ, ঐ কৈসু তৌদেদা।’

‘ঐসু তৌই হায়দেনা।’

‘চাক লোইরব্রা?’

‘লোইরে। কুইরে লোইবা। নঙসু কয়া লামদমাল্লে কুল্লক্তে হায়দুনা ইশুনুপা অহলগসু ৱারী ঙাইহাক শান্নথোক্লুরে। চাউরে। ফজনা ৱারী শাবা য়ারে। টিভিদসু দিফরেন্টলি এবল পর্সনশিংগী প্রোগ্রাম অমা ঙাইহাক য়েংলুরে। চৎথহৌরি। য়াম্না নুংঙাই।’

‘খঙদেনে। পোকপদগী মীৎ তাংদুনা, শোইনাইদুনা পোক্লক্লিবা ময়ামসিনা কদোমদগীনো? মস্বাইদনি অফ-ফত্ত, অচুম-অরন, ৱাখলগী ৱাংমদা মুর্ত্তি অমা মমি-শামি উরল্লগা শ্বাই শ্বাই মাঙখিসে।’

‘পঙখন খনজিল্লুনু। নচা-নশুগা ৱারী শান্নদুনা নুংঙাইনা লৈথোকউ। হৈ লৈ মখোঙ শোম্বা ঈশিং চাইবা থবক কোকথোং অমা লৈ। মসিগুম্বনা হেন্না নুংঙাইহল্লি। ৱাখল খনবনা পীবা নুংঙাইবনা য়ৌ ঙমপোৎতে। বতমস অপ, প্লিজ। চৎলসি। কৈনো খরা চানবা তৌরুসি।’

**-কাংজম রাধাকুমার**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘আ!! থম্মোয় লকানুংদগী’ দগী লৌখৎচবা)**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।